## এম এল এ ৬০না থম্মোয়...

*লামায় ১গী মখা...* পোপি পাম্বীশিং মরাং কায়না থারি। মফমশিং অদুগী মীহুৎ এম এল এশিংনা মসিবু করিগীদমক খঙলোইদৌরিবনো হংলদুনা খঙবীবশিং অদুনা মণিপুরগীদমক খনবীদুনা অমসুং তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিং কনগদবনি হায়বগী ৱাখল মাঙদা থম্বীরগা পুকচেল শেংনা হোৎনমিন্নরবদি মণিপুরদগী দ্রগ মূখৎপা থা ফারোই হায়খি।

লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগসকী মতাংদা মহাক্না এসেমব্লিদা অনীরক পুথোকখিবা অদুবু মণিপুর লৈঙাক্না তাবীদুনা এম এল এ ৬০ মক ৱার ওন দ্রগসকী ৱারিয়রনি হায়না ৱারেপ্পুখ্রবনিনা মহাকসু ৱারিয়র অমা ওইনা থবক তৌবগী খোঙথাংগী মখাদা ঙসিগী মীয়ামগী মীফম অসি পাঙথোক্তুনা দ্রগ মূখৎনবা ৱারেপশিং লৌরগনি হায়খি। ৱারেপশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মথৌ তাবা খূৎলায় অমদি মতেং লৈঙাক্নসু মতম চানা পীবিগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা মণিপুর অসি ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈরুবনা দ্রগকী চৈথেং অসি কা হেন্না ফংবনি। ঙসিদি দ্রগকী ৱাথোক অসি খুল খুদিংমক্না মায়োক্নরি। লৈঙাক্নসু দ্রগ থিংনবা থৌরাং কয়া পায়খৎচরবসু মীয়ামগী মতেং য়াওদবনা দ্রগ থিংবা ঙম্লোইদৌবা লৈবনা মীয়াম্নসু দ্রগ মূখৎনবা হোৎনবদা পূন্না হোৎনমিন্নবা অমদি শৌগৎমিন্নবা মথৌ তারে ফোঙদোক্নখি।

চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, ককচীং অমসুং বিষ্ণুপুরদগী লাকপা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী মীওইশিংনসু শরুক য়াখিবা মীফম অসিদা শুগনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন এম সরত, কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম মমতা, শুগনুগী এস দি পি ও, এন জি এন্থোনি সুরেস, ৩৭-এ আর বি কম্পেনিগী মেজর নেটার সিংহ অমসুং মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

মীফম অসিনা এন্টি দ্রগ কম্মিটি শুগনু এ সী এন্দ এদজোইনিং এরিয়াজ ওফ চুড়াচান্দপুর, বিষ্ণুপুর অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হায়বা অমা শেম্বা, কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎপু খনবা অমসুং মীওই ১৯গী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমা শেম্নবা ৱারেপসু লৌখি। মীফম লোইশিল্লকপদা শরুক য়াখিবশিংনা শুগনু এরিয়াদা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা ফেমিনা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফেমিনা মিস ইন্দিয়া য়ুনিভর্স-২০০২ নেহা ধুপিয়া, মণিপুরগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা, কোরিওগ্রাফর টেরেন্স লেৱিস, ফিল্ম দিরেক্টর অমসুং রাইটর হর্শভর্শন কুলকরনি অমসুং শক্লাইরবা দিজাইনর রোকি ষ্টার অমদি নমরতা জোসিপুরানা ওইখি। গ্রান্দ ফিনালি হৌদোকপগী থৌরমদা পিজেন্ট অসিগী হান্নগী ৱিন্নরশিং সিনি শেতি, রুবাল সেখৱট, শিনাতা চৌহান, মনাসা বরানসি, মনিকাশেওকান্দ, মন্য সিংহ, সুমন রাও অমসুং শিভানি যাদবনা নীংথিনা লৈতেংলবা লেহেংগাশিং শেৎতুনা পর্ফোর্মেন্স পীরদুনা হৌদোকখি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ব্যুটি পিজেন্ট কন্টেষ্ট অসিবু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং/এম এল এশিং শরুক য়ারখি। লোয়ননা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবসু শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, ফেমিনা মিস ইন্দিয়াগী পুৱারীদা মণিপুরগুম্বা য়াম্না পীকচবা ষ্টেট অসিদা টাইমস ওফ ইন্দিয়া গ্রুপনা গ্রান্দ ফিনালি পাঙথোক্নবা শিনবীবা অসিগীদমক গ্রুপ অসিবু থাগৎলি লোয়ননা ষ্টেট ময়ামদগী লাক্লিবা ইচা কন্টেষ্টেন্ট ময়াম্নসু মণিপুরগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লিবনি হায়খি।

মণিপুরগী ফজরবা কলচর অমসুং ঐখোয়গী ফুরুপ ৩৪/৩৫গী তোঙান তোঙানবা ত্রেদিসনেল কলর, দ্রেস, চৎনবী, চিঙ্গাক ময়াম অসি উবদা কন্টেষ্টেন্টশিংনা য়াম্না অপেনবা পোক্নমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী গ্রান্দ ফিনালি অসিগী কো-পাৱর ওইখিবশিংনা ওরা, মেক-অপ পার্টনর কলর বার (মেদ ফোর মেজিক) অমসুং রজনিগন্ধ য়াওনা সিলভর পর্লস য়াওরি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী কন্টেষ্টেন্টশিংনা শরুক য়াখিবা গ্রান্দ ফিনালি অসি পাঙথোক্নবা মতুংদা জজশিংনা পীরকপা দিসিজনগী মতুংইন্না ফেমিনা মিস ইন্দিয়া ২০২২ তাখিবী সিনি ছেটিনা ফেমিনা মিস ইন্দিয়াগী লুহুপ উপ্পীখিবগা লোয়ননা মহাক্না মথংগী কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মিস ৱর্ল্ড কন্টেষ্টতা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি। ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ রন্নর্স অপকী লুহুপশিংনা মমাঙথক্তা হায়রিবা মনাশিং অসি ফংখ্রবী রাজস্থানগী রুবাল সেখৱট অমসুং উত্তর প্রদেশকী সিনাতা চৌহাননা উপ্পীখি।

পনবা য়াবদি, গ্রান্দ ফিনালি অসিগীদমক কন্টেষ্টেন্টশিং থা অসিগী ৭তা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মণিপুরগী মীয়াম্না নাটকী ওইবা কজেংলৈ উপ্পীদুনা মখোয়বু মোইবুং খোংলগা তরাম্না ওকখিবনি। মখোয়না খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল, শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল অমসুং কংলা লাইফমলেননচিংবা মফমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংখিবনি।

## অমা শিরে ২...

*লামায় ১গী মখা...* লৈকায়দগী ৱাহেংবম রোকি (৩৪) অপোকপা মুহিন্দ্রো লৈখিদ্রে অদুগা তোংলকপা থোংজু পার্ট টুদগী সলাম দিপক (৩৫) অমসুং মোংশাঙ্গৈ বোরোই মখোঙদগী ঐচ জোনসন (৩৪) শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

## মীওই ১ হাৎলম্লে...

*লামায় ১গী মখা...* লৈরে হায়বা পাউদগী লিলোং পুলিসনা চঙশিনখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওই অদু লিলোং নুঙ্গৈ খুনৌদগী এম দি অমর (২৩) অপোকপা নজির খান কৌবা মীওই অমনি হায়না মহাক্কী লোয়নবী কুলসুমনা আইদেন্টিফাই তৌখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওই অসি থা অসিগী ১৩দা য়ুমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্তবনি হায়রি। লোয়ননা মসিগী মতাংদা লিলোং পুলিসতসু মিসিং রিপোর্ট অমা তৌখ্রে হায়রি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা ওকতা ‘আর্টিফিসিএল ইনসেমিনেসন’ ...

*লামায় ১গী মখা...* কুমজা ২০১৬তগী ওক লোয়রকখিবী মহাক্না মখা তানা হায়, অহানবা হৌগৎলকপদা ওক কয়া অনা-অয়েক য়াওরকপদগী মদুবু লায়েংনবগী মতাংদা খঙহৌদদুনা শিবা কয়া য়াওখ্রে। অদুবু হৌজিক্তি অনা অয়েক য়াওরকপদা মতৌ করম্না মায়োক্নগদগে হায়বদু খঙবগা লোয়ননা লেপ্তুনা য়োক্লকপনা মহাক্কী ফার্মদা মপি য়াওনা ওক ১০০ রোম য়োকপা ঙম্লে হায়রি।

কনাগুম্বশিংনা ওক লোয়বদা মঙকশমদা থৌরি থুরগা উখোঙ-ৱাখোঙদা পুল্লগা য়োকপা থেংনৈ। মসিনা ওককী মঙক্তা ঈ থোকহনবগা লোয়ননা লৈখোম-লৈনাং মরক্তা মখোঙ পূখদুনা য়োক্লম্বসু থেংনৈ। ফীভমশিং অসি উরুবদা নুংঙাইমন দবদগী মতৌ করম্না কোকহনগদগে খল্লক্তুনা শিনফম অসিদা মায় ওনশিল্লকখিবনি। ইহান হানবদা লৈজবা শেল খরনা ওক মচা শুপ্পতগী মঙাখক্তমক লৈরগা য়োক্লকখিবনি। অদুবু নারক-য়েক্লকপগী মরম থিগৎলুবদা অমোৎপা/ফত্তবা ঈশিং পীথকপা অমসুং মচিঙ্গাক্তা নাতৈ চাদবশিং পীজবনা ওইরম্বদগী হৌজিক্তি ওক শিবগী থৌদোক মায়োক্নদ্রে হায়রি।

অদুগা ওক অমগা অমগগী মরক্তা লৌনগনবা লায়নাশিংগী মতাংদনা অতোপ্পা মীওইদগী ৱাইরুবা ওক লাবদগী শন্দোরক্তুনা ওক মপিনা নাওপুরবা মতুংদা পোক্লকপা মচাদা অশি-অনা য়াওবসু থেংনখি। মসিগী মরু ওইবা মরম্না ওক লাবা অমবু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মথং-মথং ৱাইনবনসু ওইরি। খুদোংচাদবা পূম্নমক অসি থোকহন দনবা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবরদা মহাক শিলোংদা চৎতুনা মফম অদুগী আই সী এ আরদা চঙদুনা আর্টিফিসিএল ইনসেমিনেসনগী ত্রেনিং তৌখিবনি। ত্রেনিং য়াওরুবগী মরমশিংগী মনুংদা লূম্বা অমসুং চাওবা মান্নদবা ওক লাবা অমসুং অমোম অনীগী মরক্তা নাওপুহন্নবা হোৎনবদা ওক মপিনা মশা শোনবদগী লাইয়ৈ চৎতুনা ওক মচাশিং য়াম্না তোয়না শিবসু থেংনখিবননি। অদুবু আর্টিফিসিএল ইনসেমিনেসন অসিগী মনুং চন্না ওক লাবগী ব্রীদ লৌরগা ওক মপিদা কাপশিনবনি। ত্রেনিং অসি ফংলবা মতুংদা হৌজিক এম এল এ করাম শ্যামদা হায়জরুবদগী আর্টিফিসিএল ইনসেমিনেসনগী থবক অসি মায় পাক্না চত্থনবা মথৌ তাবা লেবোরেটরি অমা লিংখৎনবগীদমক লুপা লাখ ১গী শেলগী মতেং পাংবিরক্লে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

তেংবাঙ অসিগী মথক্তা বেঙ্কতগী পর্সনেল লোন লৌরগা লেবোরেটরি অমসু শারে হায়রি। অদুবু লেবোরেটরি অসি শানবা হোৎনরকপদা মীওই খরনা অপনবা অমসুং অয়েৎপা পীরকপগী খুদোংচাদবদি মায়োক্লখি। লোয়ননা শিলোংদগী এক্সপর্টশিংনা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা শারিবা লেবোরেটরি অদু মফম চাদে হায়বগা লোয়ননা লেবোরেটরি অসি ওক লাবদগী লৌরকপা ব্রীদ অদু ওক মপিদা কাপ্পদা পুঙ্খায় অমদগী হেন্না চঙহনবা য়ারোই হায়রকপদগী অমুক হোংদোক্লগা মমাঙ চহীদগী শাগৎপা হৌরে। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ওক মপি লিশীং ১গী মথক্তা আর্টিফিসিএল ইনসেমিনেসনগী পাম্বৈনা ওক মচা লৌনবা থবক পায়খৎখ্রে। মসিগী মনুংদা ওক মপি ১২০দা মায় পাকখিদ্রবসু পিগ্নরি ফার্মিং তৌরিবশিংদদি অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়রি।

## সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙনা মফম ৬০ হেনবদা...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই য়াম্না লৈ হায়রদুনা লোয়শঙ অসিগী মায়কৈদগী ফংবা অঙাংশিংবু মখোয়না য়োকচরগা অঙাং অদুগী পুন্সি কন্নবা হোৎনরকপসু য়াওই। মরম অসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু মাঙহন্নবগীদমক হুন্দোকপা হায়বসি অচৌবা ক্রাইম অমনি হায়রি। মমা-মপা ওইগদৌরিবা মীওইশিং অদুনা করিসু খঙজদ্রিবা অঙাংদা তাইন্দুনা মহাক্কী পুন্সি মাঙহন্নবা হোৎনবা চুমদে।

দিরেক্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা চিলদ্রেন হোমশিংদা অসিগুম্বা মখলগী নাওশুম ৬০গী মথক্তা থম্লে। করিগুম্বা নাওশুম অসিদা অঙাং অমা থম্লম্লবদি এলার্ম অমগী মতেংনা চিলদ্রেন হোম অদুগী মীওইশিংদা খুদক্তা খঙহনগনি। খঙলবা মতুংদা লোয়শঙ অসিদা পন্থদনা পাউ পীরক্কনি। সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙনা নাওশুমদা থম্লম্বা অঙাং ফংলবা মতুংদা অঙাং অদু কনানা থম্লম্বনো হায়দুনা খোঙ্গুল লীবগী লম্বীরোমদা তান্নদুনা চৎলোই। লোয়শঙ অসিগী মথৌদি অঙাং অদুবু মী ওইননবা হিংহনবনি। লোয়শঙ অসিনা নাওশুমশিং থৌওইনা থম্লিবগী মরমদি লম্ধাং তুমহাংদা পীক্লিবা অঙাংশিং হুন্দোক্লম্বদগী অঙাংশিং অদুগী হকচাংগী শরুকশিং হুইনা চেল্লগা পুরকপগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রে হায়রি।

মমাঙ চহীদা চান্দেলগী চর্চ অমগী টোইলেটতা পীক্লিবা অঙাং অমসু লংথোক্লমখি। অঙাংদু কুইনা তাদুনা লৈরকপদগী মনাকোং অমসুং মনাতোনদা হন চঙলম্মী। অদুবু মদু পূম্নমক লৌথোক্তুনা মহাকপু কন্নবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাখি হায়রি।

মরম অসিনা নাওশুমশিং অসি থম্লবদি মসিদা হাপ্লম্বা অঙাংশিং পন্থদনা ডাক্তরশিংগী মনাক্তা পুদুনা মেদিকেল চ্যেক-অপ তৌরবা মতুংদা য়োকপগী থবক পায়খৎপদা খুদোং চারে। মরম অসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু নালা অমদি তুরেলনচিংবদা শিনা ফংবা অমসুং করিগুম্বা পোৎশক অমগী মনুংদা হাপচিল্লগা ফংহন্নবগী থৌওং চত্থবীগনু। মী অমা ওইগদৌরিবা অঙাং অমগী পুন্সি মাঙহনবীগনু হায়রি।

নাওশুমদা থম্লম্বা অঙাংশিং করম্বা ফুরুপ কাঙলূপকীনো হায়বা খঙবা নত্তবনিনা খুদক্কী ওইনা টেম্পররি ওইবা মমিং অমা খঙননবগীদমক থোল্লি। অঙাং অদু কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়োকচগে হায়দুনা লাক্ত্রিবা ফাওবা টেম্পররি মমিং অদুদা অদুমক খঙনৈ অদুগা অঙাং য়োকপগী থবক্লা স্পেসিএলাইজদ এদোপসন এজেন্সী (এস এ এ) না থৌদাং লৌই। হায়রিবা এজেন্সী অসি হৌজিক ৱাংখৈদা লৈ হায়রি।

লোয়শঙগী লম অমসুং বিল্ডিং লৈজদবদগী এজেন্সী অসিগী মফম অসি অশানবা য়ূম অমা ৱাইরগা চলাইবনি হায়রি। নাওশুমদা থম্লম্বা অঙাংশিংনা থা অনী ফাওবদি মফম অসিদা থমগনি অদুগা থা ২গী মনুংদা কনাগুম্বনা ৱাখল খন্থবা ঙমহৌদবদগী লাপথোক্লুবনি হায়দুনা লৌশিনজ গে লাক্লবদি মতিক চাবা মরমশিং থিদোক্লবা মতুংদা পীগনি। অদুগা লাক্ত্রগনা অঙাং অসিবু য়োকচনীংবা মীওইশিংদা পীননবা প্রোসেস তৌগনি। মসিগীদমক লিগেল-ফ্রী ফোর এদোপসনগী মখাদা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

মসিগীদমক ‘ক্যেরিং পোর্টেল’ হায়বা অমা হাংদোক্তুনা লৈরি। অদুবু হৌজিক পোর্টেল অসিগী খূথাংদা অঙাং য়োক্লিংবা মীওই কয়া মীং চনশিল্লক্তুনা ঙাইনরগা লৈরি হায়রি। অসিগুম্বা মীওইশিং মশক খঙদোক্লগা অঙাংগা হকথেংনহনবগী থবকসু চথৈ। অদুবু মখোয়না তশেংনা মমা মপা শক্না য়োকচগে হায়রগদি কোর্টকী মতেং লৌদুনা মথৌ তাবা প্রোসিজরশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা খূৎশিন্নৈ।

অদুম ওইনমক অঙাং পীথোকপা মতমদা অমুক্তদা হেক্তা পীদে। থা অনীগী মতমদা অঙাং অদুবু মখোয়না নুংশি চান্নবা লোয়নব্রা হায়বদুসু য়েংই। হায়রিবা মতম অসিদা করিগুম্বা ওন্ন-তৈনবা রোমদা লৈরম্বা থোক্লবদি পীথোক্লুরবা অঙাং অমুক লৌখৎকনি হায়রি। অদুগা কনাগুম্বা অমত্তনা য়োকচগে হায়দুনা লাক্ত্রবদি অঙাংশিংবু মশাগী চহী ৬ শুরকপা ফাওবা এস এ এদা থমগনি। মফম অসিদা ডাক্তর অমসুং নর্স লৈগনি। অঙাং অদুনা চহী ৬ হেল্লক্লবদি মহাক চিলদ্রেন হোমদা অমুক থম্লগনি। হোমদা থম্বগী মতমনা চহী ১৮ ফাওবা ওইহন্দুনা মহৈ-মশীন তম্বীগনি। অদুবু চহী ১৮গী মতুংদগীদি হোমদা থম্বা য়াররোইদবনিনা মশাগী চহী ২১ শুরকপা ফাওবদা থা-থাগী লুপা লিশীং ৪/৪ পীদুনা মহাক্না পাম্বা মফম অমদা লৈহনবদা অয়াবা পীগনি। মশাগী চহী ২১ ফাওবদি মখোয় মশা মতিক চানবা লোয়শঙনা চৈঙাক পীরবা মতুংদা মরোমদোম হিংনবগী লম্বী য়েংহনগনি হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ক্যের পোর্টেল অসি মালেমগী থাক্তা লৈরিবনি। লৈবাক অসিগী পেরেন্টশিংনা য়োক্লবসু য়াই নৎত্রগা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনা পাম্লগদি য়োকখিবসু য়াই। হৌজিক ফাওবদা মপান লৈবাক্তা পুদুনা য়োকখিবা অঙাংশিং য়াওখ্রে। অদুবু য়োক্কনি হায়না পুখ্রগা চান্নদবদগী অমুক হন্না পুরকপসু য়াওই হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা অঙাং য়োকচগে হায়দুনা লাকপশিংগী মনুংদগী য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী মীওইশিংনা নম্মী। অদুবু য়োক্কনি হায়দুনা পুখিবা মতমদা চহী ৬/৭ শুখ্রবদি মফম অদুদা চান্নদবদগী নীংঙাই তৌরকপা য়াওই। অদুবু করিগুম্বা হায়রিবা চহী মতাং অসি য়ৌদ্রিঙৈ, পীক্লিঙৈদা মমা-মপা কনানো থিরক্ত্রিঙৈদা পুদুনা য়োকখিবদদি চান্নদবগী থৌদোক থোক্তে। অদুবু চাওরকান্দা কনানো করিনো মশক খঙলগা পুখিবদদি প্রোব্লেম থোরকপা য়াওই। মখোয়দা অহাও-অহাওবা পীজদুনা লুনা তৌরগসু মখোয়গী ৱাখলদা চুশিনবা ঙমদবা য়াওই হায়রি। অদুগা করিগুম্বা নাওশুমদা থম্লম্লিবা মমা মপা ওইগদবশিংনা অঙাংবু অমুক হন্না লৌশিঞ্জগে হায়রবদি থা অনীগী মনুংদা লৌশিল্লগদবনি। হায়রিবা মতম অসি হেল্লগদি অয়াবা পীদে। ঙাইহাক্কী ওইনা নাওশুমদা থম্লম্লগা কোন্না অঙাং অদুবু পাম্লকপদগী লাকপসু য়াওই। অমরোমদনা য়োকপা-থাকপগী থৌদাং লৌবা ঙমজদবা মমা-মপা ওইরগসু লোয়শঙ অসিদা পাউ পীবিয়ু হায়রি।

অদুগা কনাগুম্বা মমা-মপাশিংনা মখোয়গী চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিংবু লোয়শঙগী ওইনা লৈরিবা রুলগী মতুংইন্না চিলদ্রেন হোমশিংদা পুরক্তুনা থম্লবা য়াই। অদুগা অঙাং অদুনা চহী ১৮ শুরবা মতুংদা অমুক হন্না লৌশিঞ্জবসু য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১০গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.০২ রোম তারকপদা ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দদা লৈবা মহিলা কল্যান সম্মিটিনা চলাইবা নুপামচাশিংগী চিলদ্রেন হোমগী থোঙ্গালদা থম্বা ক্রেদল পোইন্টদা পোকপা নুমিৎ ৬নি রোমদা ঙাইরিবনি থাজবা অঙাং নুপামচা অমা থম্লম্বগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রনি।




## ꯃꯂꯦ ꯍꯪꯗꯣꯛꯄ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্নবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/5958/18/2-23/3

## CROSSWORD-3843



**ACROSS**

7. Plotter(11)
8. Breathe in(6)
9. Be ready for(6)
10. European country(6)
12. One of the planets(6)
13. Sick(3)
14. Chaffed, teased(6)
16. Be unsteady on one's feet(6)
18. Owing money(2,4)
20. Extremely small(6)
22. Engagement(11)

**DOWN**

1. Scrutinise(4)
2. Capital of Turkey(6)
3. Glorious(8)
4. At liberty(4)
5. Imaginary ideal place(6)
6. Break(8)
11. Eastern(8)
12. Final(8)
15. French channel port(6)
17. Offer(6)
19. Neat(4)
21. Ballet dancer's skirt(4)

Solution 3842




SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5141

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | | | 9 | | | |
| | | | 3 | | | | 2 | 1 |
| | | 8 | 1 | | 5 | | 9 | |
| | 8 | 3 | | | | 2 | | |
| 2 | | | 9 | | 8 | | | 5 |
| | | 6 | | | | 1 | 8 | |
| | 4 | | 2 | | 7 | 9 | | |
| 8 | 2 | | | | 4 | | | |
| | | | 5 | | | | 4 | |

Solution-5140

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 4 | 7 | 6 | 2 | 3 | 8 | 1 |
| 8 | 6 | 2 | 1 | 5 | 3 | 7 | 4 | 9 |
| 3 | 1 | 7 | 9 | 8 | 4 | 6 | 5 | 2 |
| 1 | 5 | 9 | 2 | 3 | 6 | 4 | 7 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 8 | 9 | 7 | 2 | 1 | 5 |
| 2 | 7 | 8 | 4 | 1 | 5 | 9 | 6 | 3 |
| 6 | 4 | 5 | 3 | 2 | 1 | 8 | 9 | 7 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 7 | 8 | 5 | 3 | 4 |
| 7 | 8 | 3 | 5 | 4 | 9 | 1 | 2 | 6 |


**/অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউথোকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবা অদু অকনবা ওইনা তারকপগা অমাংথোঙদা খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙদা শাগৎলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, শা-ঙা মোরোক চাবা য়াদবা চারগনা খোঙ হাম্বা লোইরগসু শাবা অমদি চুম্না লৈবদসু শাবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবদু অকনবা ওইনা তারক্লগা অমাংথোঙদা খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী অসুম্না তৌরগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা খোঙ হাম্বসু চঙদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, ঈ তোয়না তাবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Nelson Meitei**
Moirang

HL-B/8102/16


## /EMPLOYMENT NEWS

### CAU RECRUITMENT 2023 FOR 190 PROFESSOR AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: -
Central Agricultural University (CAU) Professor and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Professor and Various Posts in the Central Agricultural University (CAU). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st May 2023. Candidates can check the latest Central Agricultural University (CAU) Recruitment 2023 Professor and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the cau.ac.in/ recruitment 2023 page.
The Central Agricultural University (CAU) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.ac.in/. Central Agricultural University (CAU) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of cau.ac.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Professor and Various Posts
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Last Date: 31st May 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 190 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have Masters's Degree/ Ph.D.
Pay Scale:
INR
57700-144200/- Per Month
Age Limit: Maximum 35 Years.
Application Fee:
For UR/ OBC: Rs. 1,000/-.
SC/ ST/ PWBD/ Women candidates are exempted from the payment of fees..
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://cau.ac.in/recruitment-for-the-various-posts-of-assistant-profess...
Important Dates:
Published on: 11th April 2023
Last date for application is: 31st May 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NPSC RECRUITMENT 2023 FOR 79 PHARMACIST AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: NPSC-2/CTSE(Medical & Allied)2023
Nagaland Public Service Commission (NPSC) Pharmacist and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Pharmacist and Various Posts in the Nagaland Public Service Commission (NPSC). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 30th April 2023. Candidates can check the latest Nagaland Public Service Commission (NPSC) Recruitment 2023 Pharmacist and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the www.aiasl.in/ recruitment 2023 page.
The Nagaland Public Service Commission (NPSC) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aiasl.in/. Nagaland Public Service Commission (NPSC) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Nagaland. More details of www.aiasl.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Pharmacist and Various Posts
Job Location:
Near New Assembly Sectt Junction, Kohima, 797001 Nagaland
Last Date: 30th April 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 79 Posts
Educational Qualification:
Veterinary Assistant Surgeon: B.VSc & AH/B.VSc.
Medical Officer: MBBS from a recognised university duly recognized by the Medical Council of India (MCI).
Drug Inspector: B.Pharm
Pharmacist: Degree/Diploma course in Pharmacy from a recognised University and registered in the State Pharmacy Council.
Staff Nurse: GNM or BSc. Nursing or MSc. Nursing from any INC (Indian Nursing Council) recognised School with NNC (Nagaland Nursing Council registration).
Pay Scale:
INR
20200-177500/- Per Month
Age Limit: 21-30 Years.
Application Fee: OTR (One Time Registration) will be free of cost. Candidates have to pay examination fee of Rs. 300/-, convenience fee of Rs. 25/- and payment gateway charges as applicable.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://npsc.nagaland.gov.in/latest-updates
Important Dates:
Published on: 10th April 2023
Last date for application is: 30th April 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




ৱারী মমিং : ক্লারুবাক

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম







